# রাধাকুণ্ডদা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী ২১৮ শুবা চহীগী কুমওন থৌরম

— এস ভানুমতী —

**চংলিবা** কুমজা ২০১৬ কী ওক্টোবর ২ দগী ৪ ফাওবা নুমিৎ হুমনি চুপ্পা রাজর্ষি (রাজ+ঋষি) ভাগ্যচন্দ্র কলচরেল ফাউন্দেসন মণিপুরগী মেম্বরশিংনা রাজর্ষিগী ২১৮ শুবা নীংশিং কুমওন রাধাকুণ্ড, মথুরা দিষ্ট্রিক্ট, যু পিদা পাঙথোকখি। জগোয় ঈশৈনচিংবা যাওনা প্রোগ্রাম পূম্বা পাঙথোকখিবা মফমসি 'নীরা বাঙ্গালি ধর্ম্মশালা', রাধাকুণ্ড, মথুরা দিষ্ট্রিক্ট যু পিদনি। অদুবু অরোইবা নুমিৎকী মহারাস শান্নবদি মদন মোহন মন্দিরদা তোঙান্না শেম-শাদুনা পাঙথোকখি। অসিগা লোয়ননা অরোইবা নুমিৎসিগী দান্ধি মঙ্গোল পাঙথোক্লবা শেম শাবনা পুরানা কুঞ্জদা ওইখি।

অহানবা নুমিৎ ওক্টোবর ২ নোংমাইজিং নুমিৎতা ইকায়খুম্নজরবা গাইখাঙম, দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা অথোইবা অতিথী ওইখি। কে গুনীলৈমা দেবী, রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র কলচরেল ফাউন্দেসনগী প্রসিদেন্টনা থৌরমদুগী প্রসিদেন্টগী ফমফম্লাংদা লেঙশিনবীখি। অসিগা লোয়ননা মথংশিংনা ইকায়খুম্নজরবা গোবিন্দাস কোন্থৌজম, মিনিষ্টর ওফ কমার্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি অমদি এল উপেন্দ্র শর্ম্মা, দিরেক্টর, জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমি, ইম্ফাল অনীনা অখন্নবা লেঙবীরকপা ওইনা লেঙশিনবীখি।

মথংগী নীনি চনবা নুমিৎ ওক্টোবর ৩, নিংথৌকাবা নুমিৎতা রাজকুমার রৱট ইকায়খুম্নরবা এম এল এ গোবর্দ্ধন এ/সি রাধাকুণ্ড, মথুরা, যু পি, লোয়ন লোয়ননা রাজকুমার দুসরি গোপাল মণিপুর, প্রেমাবতি চেয়রমেন নগর পঞ্চায়েট, রাধাকুণ্ড, গোবর্দ্ধন, যু পি অমদি নিরভি গোস্বামী, চেয়রমেন, ব্রাজ প্রোটেক্সন এন্দ দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেসন রাধাকুণ্ড, মথুরা, যু পিনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি অখন্নবা অতিথি ওইনা লেঙশিনবীখি।

অরোইবা নুমিৎ ওক্টোবর ৪ লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ইকায়খুম্নজরবা ডা. থোকচোম মৈন্য এম পি লোক সভা, ইন্দিয়া, লাইশ্রম ধবল্লসিং ভাইস প্রসিদেন্ট, রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র কলচরেল ফাউন্দেসন মণিপুর অমদি কে রাধাকুমার সিংহ আই এ এসনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি অখন্নবা অতিথি ওইনা লেঙশিনবীখি।

ইহান হানবা নুমিৎ ওক্টোবর ২ দা তখেল্লম্বম ইবোতোসিংহ, কলচরেল ফাউন্দেসন অসিগী খ্বাইদগী মরু ওইনা করিদা শোয়খিগদগে খন্না থৱায় হকচাং যাওনা হোৎনবিরিবা, কলচরেল ফাউন্দেসন অসিগী অচঙবা মেম্বরসু ওইবিরিবা ইবুংঙোনা কি-নোট এদ্রেস পীবিখি। করিগীদমক রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী নীংশিং কুমওন থৌরম হৌদোকখিবনো অমদি হান্নগী পাঙথোকখিবা মফমদদি তৌদনা রাধাকুণ্ডদা তৌরিবনা করিগীনো হায়বগী ৱাফমদসু পূক্নিংগী ৱা ফোঙদোক্তুনা ময়ামদা নুংগী থৌরম থৌদা কয়াবু উহনবীখি। মদুদি, মণিপুরগী পুৱারীদা কলা সংস্কৃতিগী মবুংঙোনি হায়না লৌনরিবা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রবু ঙসিগী মীরোলনা কাউনরক্লরা হায়না চিংনবা ফাওরকই। রাজর্ষিনা হৌদোকপীরম্বা কলা সংস্কৃতিগী থৌরমশিংবুদি পাঙথোক্লকবসু, মহাক্কী মফমদা শ্রদ্ধাঞ্জলিগী থৌরমশিং কৎপা, উৎফম থোকপা ইকায়খুম্নবদি ৱাৎলকপগুম উরকপদগী তুংগী মীরোলদা কাউফদে হায়বা ৱাখল্লোনবু লৈহৌনবা অহানবা ওইনা কুমজা ২০১২ দা রাজর্ষিনা লেঙবীখিবা নবদ্বিপ ধাম, নদিয়া, ৱেষ্ট বেঙ্গলদা লৈখিদবগী নীংশিং কুমওন পাঙথোকখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০১৩ অমসুং ২০১৪ দসু লেপ্তুনা পাঙথোরক্লি।

হন্দক কুমজা ২০১৬ তা রাধাকুণ্ডদা কৎচরিবা অসিনা রাজর্ষিনা মুর্শিদাবাদতা লৈরিঙৈদা সনা হকচাং ঈরক্লবদা মচা ইবুংঙো চৌরজিৎ অমদি তুলজিৎপু কৌশিল্লগা, ইনিংথৌনা থূপখ্রবদা ইনিংথৌগী অষ্ঠি-চিন্তামনি (শাৱা লূ-যাংথৌ) বু শ্রী বৃন্দাবন লাইফমলেন্দা অমা, মীতৈ ইরমদা অমা লৈরোন্নুংদা চন্নবা তাকপীরম্বগী মতুং ইন্না পাঙথোক্লবা হোৎনজবনি।

অমুকসু, রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র কলচরেল ফাউন্দেসন, মণিপুরগী এইম এন্দ ওবজেক্টতা রাজর্ষিগী কৎথোকপগা লোয়ননা ভক্তি ভাবনা মাঙ থাদুনা লৈবাক ঙাকখিবা ৱাখল্লোনবু মীয়ামদা খঙহনবগা লোয়ননা মহাক্না হৌদোকপীরম্বা ফজথ্রবা কলা-সংস্কৃতিগী মশকপু মাঙখি-তাখিদনবা অমদি মপানগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক্তা হেন্না পাকথোক চাউথোক্না খঙহন্নবগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকচবনি। শ্রীবৃন্দাবন (রাধাকুণ্ড) মণিপুরী হিন্দু সম্প্রদাইগীসু থাদোক্লবা যাদ্রবা হৌজিক হৌজিক মন্দির ২০ হেন্না লৈদুনা, মশাগী কলচর ঙাক্তুনা মপানগী মীওইশিংগী মমাঙদা চাউথোকচনা হিংলিবনি। গৌড়িয়া সম্প্রদাই অমদি বৈষ্ণৱশিংগী ওইবা অশেংবা মফম অমা ওইবতা নত্তনা ইন্দিয়াগী মফম খুদিংদগীতা নত্তনা সনাতোন লাইনীংবু নুংশিজবা মালেমগী মফম খুদিংদগী ভক্ত কয়াসু লাক্তুনা দর্শন তৌনরিবা লাইফম অমসু ওইরিবনি। ৱাফমশিংসি থস্বীরম্মী।

হায়রিবা নুমিৎ হুমনি অসিদা মণিপুরদগী কলচরেল ক্রুপ নিপান্না শরুক যাবিখি। মদুদি মথংশিংনা (১) গুরু গুলাপী নট সঙ্কীর্ত্তন একাদেমি ইম্ফাল। (২) মণিপুর জগোয় মরুপ ইম্ফাল। (৩) রিপরটোরি ওফ ৱারী লীবা মণিপুর। (৪) চনুরা যাত্রা কম দ্রামা এসোসিয়েসন, ইম্ফাল। (৫) লোয়ালম আর্ট সেন্টর, মণিপুর। (৬) ভাগবদ গীতা পাথ। (৭) শ্রীমদ ভাগবদ পাথ। (৮) খোংজোম পর্ব্ব অসিনচিংবনি। নুমিৎ হুমনি পাঙথোকখিবা থৌরম পূম্বা ফজনা মপুং ফাখি। গুরু গুলাপী নট সঙ্কীর্ত্তন একাদেমিগী কাঙবুগী ইকায়খুম্নজরবা গুরু লৈমপোকপম লাকপতিনা লুচিংদুনা থৌরমগী হৌদোকপা (বন্দনা) ওইনা নিতিগী সঙ্কির্ত্তন শকপীখি। থৱায় যাওরবা আর্টিষ্টশিংনা অৱা অনা অমত্তা থিদনা শরুক যাবিখি। থৌরমগী চথরকপা মরক্তসু পুং চোলোমগী প্রোগ্রামসু শরুক যাবিখি। ফজরবা ভক্তিনা য়োম্লবা অভিনয়, তোপ তোপ্পা ভক্তি ভাব পূম্বা ফোঙদোকপা ঙস্না সুর ছন্দনা অতাবা মীয়াম পূম্ফগী পূক্নিং চিংশিনবীখিবা গৌড়াঙ্গ ভাবীনা মীপুম খুদিংবু শুম্নৎখি। মথংদা পঞ্জরবদা জগোয় মরুপকী মেম্বরশিংনা পাঙথোকপীখিবা কলচরেল প্রোগ্রামশিংনি। বসন্ত রাস, গীত গোবিন্দ (নাইতোম শাবা), কৃষ্ণ বাল লীলা, মহা রাস অসিনচিংবনি। লমদম অদুগী ভাবকশিংনা কয়াদা পূক্নিং চঙনা য়েংবিখি। মরু ওইনা বসন্ত রাস অমদি মহারাসতনা অমুকসু থোইনা মফমদুগী মীওইশিংনা ঙাওজখি। রাস লোইরকপদা মখোয়দা ফাওখিবা অধ্যাত্মিক্কী ওইবা মশক অঙকপনি। মণ্ডলিদা চঙদুনা মরাইবক কৎতুনা খুরুমখিবা। লোনগী পাউ ফাওনবসু নত্তনা, ভাব বিকারদা লূপথবা ঙমখিবনা ৱাংলবা প্রেম রসপু মশক খঙখিবনি হায়না থাজে। খঙদে হন্দক্কী খোঙচৎকী থৌরম পূম্বা মপুং ফানতা উজবা ফংজখি। ফিজেৎ-চাকশেৎ ফজে, মেক-অপ য়াম্না ফজে, লোয়ননা পার্ফোমেন্সসু ওন্থোক্না ফজে। মথংদা পঞ্জনীংঙি, মতম অমদা ঐখোয়গী ইরমদমগী শঙ্গোয়-মাঙ্গোল, মান্দপ কয়াদা লেপ্পা নাইদনা অহল ওইরকপা ইমা ইবেল, ইপা ইপলশিংনা পূকচেল তিংনা অফবা পর্ব্বদিন কয়াদদসু নত্তনা, ময়াম পুনশিন্নদুনা মরুপ লিংদুনা, শেল খরা খরা খায়নদুনা ৱারী তাবগী লেপ্পা নাইদ্রবা চৎনবী থনম্বদো নীংশিংহল্লি হন্দক্কী রাধাকুণ্ডগী খোঙচৎ অসিনা। পূক্নিং ইনৌ নৌহনখি, পীশক পীল্লিঙৈগী পুন্সি মতেকতো মিৎতা শং-শং উরকই। কয়াদা নুংশিজবা, অহল ওইরবা ওজা ইবুংঙো কোন্থৌজম কুঞ্জো সিংহ, (রিপরটরি ৱারী লীবা, মণিপুরগী গুরু) না শনিদেবগা অর্জুনগা থেংনবদা শোক্নখিবা লানগী মতাং অমা, তেন্না কক্লবা অর্জুনগী কোক্না লৈবাক্তা হেক তাবা খুদিংগী মশীং হেনগৎলকপগী মন্ত্র তাকপীরম্বগী নুঙাইখ্রবা মতাং অমা লীবিরকখি। মপোকসিদা নীংশিংগনি খল্লদ্রবা তামখ্রবা, হৌজিক্কী ঘোড় কলিগী চকসিদগী খেন্নখ্রবা পুন্সি মতেক অমা উরকপদা ওজাগী ৱারী তানা তানা মিৎতগী পি তারকখি। ওজাতা নত্তনা নহা ৱারী লীবশিংসু থৱায় যাওনা যাওনা লীবিখি। শ্রী শ্যাম কহ্নাই সিং, লাইময়ুম সুরঞ্জয় শর্ম্মা, শোয়বম প্রেমানন্দ, শেঞ্জম ননাউ ফুল্লোনচিংবনি। ইরমদমদা য়াম্না তোয়না পাঙথোকপীদ্রবা, শিরবরা চিংনজরবা ৱারী লীবগী থৌরমসিবু হন্দক রাধাকুণ্ডদা মশা খিঙলবা নহারোলশিং থেংনজরুবদা কয়া নুংঙাইবা ফাওজে। ইমা লমদমদসু কলচরগী মরী লৈনবা ওজা গুরুশিংনা, অৱাংবা থাক্কী মীওইশিংনা, শম্না হায়রবদা কলচরগী মরী লৈনবা সংস্থানশিংনা অসিগুম্বা মরু ওইখ্রবা, ওজাশিংদা পুৱারীগী কান্নবা পীনবা পান্থে ওইরিবা পেনা শকপা, ৱারী লীবা, খুলং-খুন্নুং ঈশৈ, নট সঙ্কির্ত্তনদা হায়রগনা বাসক পরেং অদুগা অমনা লাইরিক হায়বা থীবনচিংবশিংসিসু মাঙহনজনীংদে। শম্না হায়জরবদা থৌরমশিংদু মপুং ফাখি হায়বসিসুনি। মথংদা পনবা যাবসি চনুরা যাত্রা কম দ্রামা এসোসিয়েসন, ইম্ফালনি। নুপীজা ঙাক্তনা শান্নবা প্লেনি 'কংস বধ'। কংসগী শক্তম লাংবীখিবী নুপীমচাদু শুমাংলীলা ফেষ্টিভেল কয়াদসু বেষ্ট এক্টর কয়ারক তাখ্রবীনি, দেবকী শাবীরিবী ইবেম্মসুনি, অদুগা কোমেদিগী রোল লৌরিবীদুসুনি.. কলাকারশিংদু ফজনা খূৎলোয়নরবা ঙাক্তি... ওন্থোক্না থাগৎচনীংঙি, লন্বীসিদগী খোঙ থাংদোকহন্নীংদে ফজনা কাঙলুপ কায়দনা তুংকোয়না লমসিদা চঙদুনা মখা তাবা নুপীমচা কয়াসু শেমগৎহন্নীংঙি। মথংদা পঞ্জগে 'লোয়ালম আর্ট সেন্টর, মণিপুর'। কলচরেল প্রোগ্রাম পূম্বা পূক্নিং হুদবা অমত্তবু যাওখিদে। শেল য়াম্না কৎচনীংবনা পূক্নিংসি য়াম্না লাঙতক্লখি অদুবু মীরমদা থাপ্পা লাকপা ওইখিবনা নীংবা থুংজখিদে। সংস্থান অসিনা কুইনা উজবা ফংলক্ত্রবা গৌড়লীলা উৎপীখি। পূক্নিং ওন্থোক্না নুংশিজরকখি। নীংশিংলকখি ইকায়খুম্নজরবী ইমাইবেম্মা ইবেতোম্বী (বীনা শাবী হায়না খঙনবী) গা নোঙ্গাম্বী ইনেবেম্মা মনিমচা অনীনা শরুক যাখিবা নম্মোলদা শান্নখিবা গৌড়লীলা। আর্ট এন্দ কলচরগা মরী লৈননা পাঙথোকপনি। আর্ট এন্দ কলচরগী দিরেক্টর ওইবীরম্বী মেদাম সরোজিনী অমদি মেদাম সবিতা দেবী (ঙসিদি ফমসিদগী পোত্থারবীশিং) গা লোয়ননা চেবাউফংদুনা য়েংমিন্নজখি। মমিং লৈরবী আর্টিষ্টশিংদুনা শান্নখিবা লীলাদু উরুবদা ফাওখিবা ইথিলদুমক অসিদসু অদুম ফাওবগুম তৌই লোয়ালমগী আর্টিষ্টশিংনা শান্নখিবদু। খ্বাইদগী নুঙাইজবা ফাওখিবদি আর্টিষ্ট খুদিংমক মশা মশাগী পার্টতু য়াম্নমক চেকশিন্না নেচর তানা শান্নখি। কষ্টুম য়াম্না ফজখি, চেকশিন্নসু শেংখী। ছাড়ী ওইনা চপ চানা হেক শেংপদুমক্তি খরখজিক খেন্নবা লৈবরা খল্লি। মদুগী মতাংদুমতংদি অখঙ অহে তান্নহন্নীংঙি। অদুবু ফজে থাগৎচনীংঙি।

অমুক খ্বাইদগী নুঙাইজবদি খ্বাইদগী মীয়াম্না শকখঙনবিরবা মগুণ লৈরবা গুরু অনী মথংশিংনা ব্রজমনি শর্ম্মা, অমুস্না শর্ম্মা শাস্ত্রি অজ্ঞা অনীনি। অজ্ঞা অনীনা অৱা অনা করি থিবিদনা শাংলবা খোঙচৎসিদা যাওবীদুনা গীতা পাঠ অমদি ভাগবদ পাঠ তৌবিদুনা পাপ চেল্লবা পূক্নিং ময়াম্বু শেংদোকপীখি। তাজরুবা খুদিংদা নুংশিবগী নুংশিবা ঙাক্তা, পেঞ্জবগী পেঞ্জবা ঙাক্তা ফাওজখি। অজ্ঞা ব্রজমনিনা পনবিরকখি মরু ওইবা গীতাগী শ্লোগ খরা মীওইবা ওইনা পোক্লগা নৈনদনা হনখিবা যাদ্রবা খরা - 'ধর্ম্ম ক্ষেত্রে কুরু ক্ষেত্রে সমবেতা যযুৎসব/মামকা পাণ্ডৱচৈব্য কিমকুর্বত সঞ্জয়' খ্বাইদগী থম্মোয়দা হেক পানজবা অমদি 'সর্ব্ব ধর্ম্মান পরিত্যজ্য/মামেকং শরনং ব্রজ: অহম ত্বাম সর্ব্বপাপেভ্য/মোক্ষয়ি ষ্যামি মাংশুচ:... অসিনচিংবা তাজরকপদা মীওইবগী পাপনা থল্লবা পুন্সিবু হন্না হন্না হঙ্গৎতুনা কায়রিবশিংসি করিনো হায়বসি থিবা পাল্লকই। অমুকসু খল্লকই পুন্সি অসি য়াম্না ফিলোসোফিকল ওইবা মিৎয়েংগা লোয়ননা মীওই খুদিং চঙশিনমিন্ননীংবগী ৱাখল ফাওরকখি। ঙসি ঙসিগী পুমচাই চাইরবা মচেৎ তারবা অপাম অপান্থতা তৌদুনা মনীং তম্নবদগী কায়থরক্লবা মীওইবা খুন্নাইগী অৱাবসি করম্না মায়ওন অমরোমদা ইন্থোক ইনশিন যাবসিগী উপায় করিনো হায়বসি শোল্লবা ঐনা ময়ামসি খনবা হৌরকখি। মথংদা অরোইবা প্রোগ্রাম ওইনা পঞ্জগে মদুদি বুদ্ধ সিংহ ইবুংঙোনা ঐখোয়গী প্রোগ্রামদা লাকপীগদবা খোংজোম পর্ব্বগী কলাকার মনি দেবীগী মহুত্তা শকপীখিবনি। থাগৎচরি।



অসিগী মথক্তা ইকায়খুম্নজরবা অজ্ঞা অমুস্নাগী ভাগবদ পাঠ তাজবদগী পূক্নিংগী অমম্বা কোকহনবীখি। ইশম শম্না হায়রবদা হন্দক্কী খোঙচৎ তশেংনা মায়পাকপা খোঙচৎ অমনি হায়জনীংঙি।

অরোইবদা হায়জনীংঙি, অতিথি ওইনা লেঙবীরকপশিংনা নুঙাইবা ফোঙদোকপীরম্মী মদুদি ঐখোয়গী পুৱারী ওইনা লৈহৌরগদবা লাইনীং লীচৎ পরিং মুৎতনবসু ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমদা থৌরম অসি শিঙ্খংনা পাঙথোকপা হায়বসি অফবা খোঙথাংনি হায়না তাকপীরম্মী। মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা ঐখোয়না শকতাকচদৌরিবসি চৎনরিবা লাইনীং লীচৎ অমদি মাঙহনবা যাদ্রবা কলচরসিননি। অদুনা হৌজিক্কী মীরোলনা য়াম্না থৱায় যাওনা মমাঙগী কলা সংস্কৃতিবু মাঙহন্দনবা হোৎনগদবনি হায়না তাকপীরম্মী। থোইনা ফরিবদি মণিপুরদা কলচরেল য়ুনিভর্সিটি অমসু লিংলবনিনা লৈজরিবা কলচরবু থোইনা হেন্না চাওখৎলকপদা মতেংসু পাঙলগনি হায়বগী থাজবসু থস্বীরম্মী। লমদমদুদা লৈবিরম্বশিংনা ঐখোয়গী প্রোগ্রামশিংবু উরগা 'মণিপুরগী কলচরদা যাওরিবা ভক্তি রসনা মপুং ওইবা কুঞ্চৈবু মখোয়গী থম্মোয় হুবা ঙম্না ফজে হায়নসু তাকপীরমখি। খ্বাইদগী ঙকপদি জগোয় মরুপ্পা শান্নখিবা বসন্ত রাস অমদি মহারাস লমদমদুগী মীনা থোইনা থৱায় লূপশিনবীখিবদুনি। অসিগা মরী লৈননা লমদমদুগী মীওই ভক্ত খরনসু মথংদসু মফমসিদা তৌবিয়ু অঙম্বা শেলগী মতেং পাঙজগে হায়বা মী কয়াসু লৈহৌরি। পূন্নমক্তুবু কলচরেল ফাউন্দেসন অসিগী মায়কৈদগী থাগৎচরি।

পঞ্জবীংবা অমদি অরোইবা নুমিৎতা অখন্নবা অতিথি ওইবিখিবা রাধাকুমার আই এ এসনা তাকপীখি- করিগুম্বা থবক অমা তৌরকপদা পুকচেল শেংনা কৎথোকপা হায়বসি যাওনদি মশক থোকপা খক ঙম্লোই। অদুনা ঐখোয়না রাজর্ষিনা তুংগী মীরোলগীদমক থস্বীরম্লিবা খুদোল অসিদা মীয়ামগী মান্নবা লীচিং অমগী মখাদা হোৎনফম থোকই। অপূনবগী ৱাখলদু লৈরবতদা মপুং ফাবা অফবা মহয় শোয়দনা ফংগনি হায়বীখি। অসুম্না লেংবিরকখিবা লৈবাক্কী মপী মপা ওইবিরিবা পূম্বনা পূক্নিং থৌগৎপীরম্বগীদমক্তা থম্মোয় শেংনা মেম্বর পূম্বনা থাগৎচরি।

লোইশিঞ্জরকপদা থাগৎচনীংবদি এনাউন্সর ওইনা থৌদাং লৌবিখিবী সরযু দেবী (হিন্দি লোলদা) অদুগা শ্যামকহ্নাই সিং (মণিপুরী লোলদা) অনীশুবনি। লোয়ন লোয়ননা ঐখোয়না রাধাকুণ্ডদা পাঙথোক্রিবা কলা সংস্কৃতিগী থৌরম পূম্ফগী মপূম মরৈ ফারবা মশক অমা থোকহল্লিবা অরাংফম ওইনা চেকশিন্না থৌদাং যাবীখিবা ইকায়খুম্নজরবা এন ইবোবী সিংহ (সেক্রেটরি, মণিপুর অরাংফম এসোসিয়েসন), ইবোচৌবা সিংহ, ইনাও, জোয় খোঙমচানচিংবা ইচিন ইনাওশিংবু রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র কলচরেল ফাউন্দেসন, মণিপুরগী মেম্বরশিংগী মায়কৈদগী থৱায় হকচাং যাওনা পুন্নমকপু থাগৎপা ফোঙদোকচরি। পুন্নমকসিগী অমুক মথক্তা লৈবাক্কী মফম খুদিংগী পাউচেদা, এ আই আরগী থোঙদা লম/লম খুদিংদা পাউ পূম্বা য়ৌহনবীদুনা থৌরম অসিবু পূক্নিং থৌগৎপীবগা লোয়ননা মশক তাকপীরিবা মিদিয়াগী নুংশিজবা ইচিন ইনাও, ইচাশিং পুন্নমকপুসু থম্মোয় শেংনা থাগৎচরি।

অৱাবা কয়া মায়োক্লবিদুনা মমল য়াম্লবা আর্টিষ্ট কয়া থৱায় যাওনা হীরম পূম্বদা ইশা/ইশাগী থৌদাং খোঙফম চেৎনা লেপ্তুনা হোৎনবীখিবা লেঙবিরক্লিবা ইচা-ইনাও, ইচিন-ইপ্পা পূম্বা অমনা অমগী মতেং পাঙনবিদুনা পুকচেল শেংনা অপূনবগী মশক উৎপিবদুমক্না থৌরমশিংগী মায় পাকপা ওইজবনি অমুক্কসু ফাউন্দেসনগী মায়কৈদগী ইকোক নোন্না থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

# নিশা অপূম্বদগী খ্বাইদগী ময়াই কনবা নিশা

— ময়াংলম্বম থম্বৌ সিংহ —

**পূন্নমক্তগী** ময়াক কনবা, হেনবা অমুক্তংবু মহাও তংলুরবদি পুন্সিগী থাদোকপা ঙমদ্রবা, মতম চুপ্পগী নীংশিংদুনতা লৈবা নিশাশিংগী মনুংদা মীখলগী নিশাগী ময়াই অসিনা পুমথোই থোইবনি। অদুনা মসিদা চঙখ্রবদি মীওই খুদিং অচুম্বা থিদে, অরানবা থিদে, মতম মতমগী ঙম্ন-ঙম্ননবা ঙাঙবা হৈতবা য়াদে, ইদবা চেদা পাবা হৈতবা য়াদবা ওইগদবনি। মসি ককপা য়াদ্রবা ৱাফমনি। মীনা তৌবা অফবা ওইবা য়াই, ফত্তবা ওইবা য়াই মদুনা মানা শিংথানবা কৈদৌনুংদা ওইরোই। মরমদি মদুদগী মানা তৌবনা হেল্লি হায়বসি খঙহন্নীংবা ঙাক্তনি। মসি চৎনবীনি ওইদবনা অওই শাবা মখোয়গী লিচৎনি। মসিদদি ঐখোয়না শেংদোকপা নত্তনা নিশাদা চুখ্রবা মখোয়দা হায়রুবা য়ারোই।

মণিপুরগী মীয়ামদি লুচিংবশিংবু পাড়া তস্বীবা, মখোয়বু ঐনা তৌরিবা অসি মীয়াম্না য়াদে, ঐগী ইরাল খরা লৈবা ওইগনি হায়না খঙহনবা ঙম্বা মী ওইদে। তিন্নবা অমসুং খঙন চান্নরবদি মদু থাদোকপা ঙম্নদে। মীয়াম্না পৈশাগী নত্তবিদা তিন্নবা মরী-মতগী নত্তবিদা অচুম্বা অফবা মীওই খনবগী হৈনবী লৈগদবনি। মসিদা লুরিবা অমসু লৈরিবনি। কেন্দ্র অমদা মীরেপ অহুম নৎত্রগা মরি থোক্লকপা মতমদা অফবা মীওই অমা ফাওবা যাওদ্রবা অদু ওইরবদি নোটাদা ভোট লোয়না পীবা তারে। অদুদি মীহুৎশিং অদুগী মীওই খরা নৎত্রগা লেংফন্দনা মখোয়দা মশাগী ওইবা ভোট চাম্না-চনি নম্বা থেংনরে। অদু ওইরবদি ভোটর ১৮০০০ লৈবদা ভোট চামরি-চামঙা ফংবনা কাবা যাব্রা? মসিদা মশানা থোরক্লগা মীখল থেংনগে খনবা মীওই অদু মীয়াম্না নীংবা থুংবা ৱাৎলবা, অদু ওইরবদি কেন্দ্রগী মীয়াম্না মান্নদুনা অফবা মীখলদি থোকপা ঙমজদবা মীওইদু ঐখোয়না থিবা চঙই। মদু যাদ্রবদি হান্নগী হান্না চপ মান্ননা মাঙবা তাবনি।

ঙসিগী মীখল থেংনবা খুদিং পৈশা পায়রগা থোক্লকপা ঙাক্তনি। শেল পায়বা মীনা মীখল থোক্লকপদনি মীয়াম্না ঙাওনরিবা। য়াই থারবা ঙানা ঈশিং মনুংদা অমুক তাওবা, অমুক লুপ্পা, অমুক খংচেন চেনবা তৌবা অদুগা চপ মান্নে। চীংগী নাগা তাবা লম অয়াম্বা মখোয়গী ইশ্যু অসি গ্রেটর নাগালেন্দ ওইবা য়াই সোভরেন্টি ওইবা য়াই। মখোয়গী অপান্থদি রাজ্যগী লৈঙাক্কী মায়োক্তা লৈবনি। মরমদি রাজ্যগী লৈঙাক্তি মণিপুর মীয়ামগী ইহুল খঙদবা য়াদে। মরমদি নাগাগী অপাম্বা খুদিং রাজ্য লৈঙাক্কী মায়োক্তা ওইগদৌবনি। মসিদি বি জে পিসু রাজ্যগী লৈঙাক কোংগ্রেসকী মায়োক্তা লৈবনা লৈঙাক অসি ইন্থুবা হায়বসি চীংগী নাগা তাবা লম খরগী এন পি এফ হায়বা পার্টি অদুদগী মতেং শোয়দনা লৌরক্কনি অমসুং করিগুম্বা মদুনা মরম ওইরগা মীশিং য়ামদুনা লৈঙাক শেম্বা তারবদি এন পি এফ ওইবা য়াই। এন পি এফনা ওনবা বি জে পি ওইবা য়াই। ইশ্যু অসিগী মতাংদা শোয়দনা নৈনরক্কনি। অদুগী মতম অদুদা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিসু মণিপুর মীয়ামগী য়েংদুনা খূৎ থাবা য়ারোই। অদুগা নাগাগী এম এল এ খুদিংদি মতুংদা তিঙ্খং অমনা কক কক থিন্দুনা ইনশিল্লক্কনি। মদুদা অমুক বি জে পিগী এম এল এশিং, এন পি এফকা পূনশিল্লিবশিং অদুগী লিলা কদোমদা শান্নগনি।

হৌজিক মখোয়না খনবদি সেন্টরদা বি জে পিনা পানবা লৈঙাক ওইদুনা নাগাগী ইশ্যু অসি মনুংদা য়ানবা লৈবনিনা মণিপুরগী বি জে পিসু অদুম য়াফম থোকই হায়না খন্দুনা এন পি এফনা বি জে পিদা পূনশিনবা অমসুং চৎমিন্নবা ৱারেপ লৌবনি। অদুগী মতম অদুদা মণিপুরগী বি জে পিসু মচিন য়াম্না লোংবা দল ওইদবা য়ারোই। তান চাদ্রবদি হন্দক বি জে পিনা লৈঙাক শোয়দনা পায়রকপা তারবদি মণিপুর অমুক মৈ হৌবসু য়ারিবা পোৎনি। অদুবু পূন্নমক য়েংবা তারি। তশেংনা হায়বা তারবদি নাগাগী ইশ্যু অসিদি বি জে পি ওইসনু, কোংগ্রেস ওইসনু রাজ্যগী লৈঙাক্না খূৎ থাবা শুকয়া য়ারোইদবা অমা ওইনা লৈ হায়জনীংই।

মীখল মমাংদা ভোট ফংনবা ঙাঙবা, ওইগদবসু ওইরোইদবসু পংঙাঙ ঙাঙবনি। মসিদি নাগা লালহৌবগা অয়াবা যাদবা মখোয়গী খোঙফম হন্দোকপা অমসুং হন্দোক্তবা হায়বসি মখোয়গী ফীভম্না লেপকন্দবনি। অদু নৎত্রগা রাজ্যগী লৈঙাক অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক অনীসি মান্নরগা পূন্না আইন্না যাদবা, মরম চাবা চাদবা দিমান্দনি হায়না ফোঙদোক্তুনা পূন্না নমথবা ঙম্লবা অদুদি খঙদে। নৎত্রগদি কোংগ্রেসনসু বি জে পিনসু শুকওই ওইথোকপা য়ারোইদবা ইশ্যুনি। চুম্নগী অদুক চাওবা দিমান্দসু নৎতবা আই এল পিগী ইশ্যু চীং-তম অপূনবগী ওইবা য়ানবা য়াবা অমা অসি ফাওবা য়ানবা ঙমদনা নিংঙাই তৌদুনা লৈবনা মসিগী ইশ্যু অসি লোইশিনবা য়াদনা লৈরিবনি। মসিদি জে সি, চুড়াচান্দপুরগী লুচিংবা ইচিন ইনাওশিং, রাজ্যগী লৈঙাক পূন্না ফম্মিন্নবা মতমদা ওইথোক্কনি। অদুদি নত্তনা জে সিনা বিল অমা শেম্বা, লৈঙাক্না অমা শেম তৌবা অসিদি শেল্লিবা অনীমক চুড়াচান্দপুরগী ইচিন ইনাওশিংনা য়াবা ঙমদে। অদুদি মখোয় যাওহল্লগা শেম্বনা খ্বাইনা য়ানবা বিল অমা ওইগনি। ঐখোয়গী মীয়াম্না বিল অসি মীখলদা আশা তৌরুবা য়ারোই। মরমদি বি জে পিনা করিগুম্বা লৈঙাক মপু ওইরবসু চুড়াচান্দপুরনা য়াদ্রবদি অরেম্বনি করিসু তৌরুবা য়ারোই। পূন্নমক অসি মীখলদা মমি তাহনবা কান্নরোই। লৈবাক অসিদা পুকচেল শেংবা মীওই অমা ফাওবা থোক্লক্তে। থোরকপা খুদিং মীখল মায় পাক্লিংবনা ঙাওরদুনা ঙমগদবসু ঙমলোইদবসু পংঙাঙ ঙাঙবনি। খোঙলগা খঙগনি হায়বা ইপা ইপুগী ৱাফম লৈবনি।

থবক্তি তৌদনা লাউবা কনবনা ওইবা য়ারোই। কোংগ্রেস চহী ১৫ পানখ্রে, ঐখোয়না উরে করি তৌখি হায়বা খঙখ্রে। অদুগা মীখল কয়া থেংনদুনা দল কয়াগী মপু ওইনা লোকেল পার্টি নত্তনা মণিপুর কনবা ঙম্লোই হায়দুনা লাউরম্বা ময়াম কাহৌদ্রবা, অদুগী মথক অহল ওইশিল্লক্তুনা মচিন মৱা চৎপগী চাং ৱাৎলবা, চহী কুনমঙা-কুন্থ্রাগী মমাঙদা খঙখ্রবা-উখ্রবা ঙাক্তনা বি জে পিদা চেনশিন্দুনা য়াওরগা মণিপুরগী ইশ্যু লোইশিনগে হায়বা শক্তি পায়নীংবনা ঙাঙবা ৱাঙাঙ তাদনিংঙাই লৈরোই। মরমদি মখোয়সু হান্না শক্তি কয়া পায়খ্রবা মীওই ঙাক্তনি। মতমদুদা মখোয়না করি তৌখি, করি তৌখিদে ঐখোয়না খঙই। অদুগা খঙলরোই উররোই খন্না ঙাঙবা লৌবা য়ারোই। হৌজিক দল অমা ফাওবা থাজবা ঙমদে। অমনা কারবসু অমনবু কারবসু চপ মান্নগনি। খরদি অদুম তৌনি, খরা তৌবা অদু মশীং পংথা থাদুনা অদুম লৈগনি। মদুনা চহী মঙা হৌখ্রগা অমুক লাউ খোংবা অসিনি ঙসিগী পোলিটিক্স। অফবা মীহুৎ খনবা তারবদি মশাগী খন্দবা, মরী মতাগী য়েংদবা, লৈবাক্কী কান্নবদগী মরী মতানা, শাগৈ নাতৈনা, ইচিন ইনাওনা হেন্দে হায়বা অদুগুম্বা লুচিংবা যাওরবদি খ্বাইদগী ফবা মীহুৎ ওইগদবনি। অদুদি নত্তনা ঐগী হায়বা ৱাখল অসিনা লৈপাক্কী ইশ্যুদগী হেন্না লুম্না লৌরবদি মদুনি লৈবাক ঈরাং লাক্লিবা, কাং-খোং চাইরিবা। ঐখোয়গী লুচিংবশিং অয়াম্বনা পুকচেল শেংবগী মতৌদি উত্তনা লৈবাক্কী থৌগল তৌগে, ঐবু নুংশিবিয়ু মসিনি লাউরিবা। মীয়াম্না করি খল্লি হায়বা মখোয়না খঙদে। মখোয়না পুকচেল শেংনা লাউই খঙদে, শেংদনা লাউই খঙদে ঐখোয়না য়াম্না ৱাখল খন্থনবা তাঞ্জা লৌরসি। নৎত্রবদি লমদম অসি ইন্দিয়াগী অতৈ রাজ্যশিংগী মমাঙদা হৌগৎপা ঙমদনা লৈহৌবা তারে।

# এদিটরদা থারকপা চিঠি/ৱাকৎ/মীয়ামগী খোল্লাউ/পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ ....

## শেঞ্জা থুমজাগী কান্নবশিং

**মীয়াম্না** ইতৎ-তত্তনা হায়নৈ 'চে-চাংদু তাম্থোক্লব্রা'? 'মাদি ওফিসতা পৈশা তান্নবা চৎখি' হায়বনচিংবা। মতাংসিদা খন্নবা য়াবা ৱাফমদি চে-চাং নৎত্রগা পৈশাবু 'তান্নবা' হায়বা ৱাহৈ অমা শীজিন্নরিবসিগী অশেংবা নৎত্রগা নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক অদুনি। মখোয় মমা-মপাদি য়াম্না শিংবনে, ৱাচৎ-ৱানোম ফজনা তৌদুনা কোইচেন চেন্দুনা মচাশিংদো থবক লোয়না তৌবনি হায়বসিসু ঐখোয়গী খুন্নাইসিদা য়াম্না তোয়না ফোং ফোংনা শান্নরিবা ৱারীরোন্নি। ৱানোম শারেং অমদি পেন্সন মৈনোগী ৱারীনচিংবা কয়াদি ঐনা অমুক নৌহৌননা পল্লদ্রবসু য়ারনি হায়না খনজে। মসিমসু হায়নৈ 'ক্বা মতপ অমনা চিন পৈবনি'। উগী মখা থংবদবু পৎপগী ৱানি, মীগী মখা থংবদি পৎতবনি, তলবতি তীল তাদবনি হায়নরিবনি। অদুনা উপায় অমা নৎত্রগা অমা তৌদুনা ইন্টরভিয়ুরা সেন্টরভিয়ুরা (শেল পীখ্রবা মতুংদা যাওবা ইন্টরভিয়ু) ঐ মায় পাকহৌদবা যাদবনি। অদুগুম্বদু ঐদি হৈনজদে হায়দুনা শুম চাও-চুমদ্রিং চৎলগদি হৌজিক মতমদদি মীরক তিনবা হায়বসি খরদি ৱানা থোক্কনি। গোল্ড মেদল ময়াম ফংলক্তুনসু ৱাবু ৱানোমদ্রবদি ইন্টরভিয়ুদু চৎলুরনু মতম মাঙনবনি, পৈশা তিংনবনি হায়বসি মীয়াম্না হেন্না খঙনরবনি।

কয়াদা কনখ্রবা ময়াইনো, শেঞ্জা থুমজা হায়রিবসিবু পোকপীরিবা পন্থৌ 'ৱাচৎ-ৱানোম্বা' হায়রিবসি। হীরমশিং অসিগা মরী লৈনবা মহৈ তম্ফম অমগা লিংখৎপগা ঙমজরবদি মীনা চিক্না চাইনা ঙম্লোই। থাগী তলবনদি করম্না দলান মথোনশিং শাবা ঙমগদৌরিবা, গাড়ী অনৌ-অনৌবা তোংবা ঙমগদৌরিবা, ইচা-ইশুশিং মীরমদা মহৈ-মশীন তমহনবা ঙমগদৌরিবা। অদুনা অদুম ঐসু যাওবা তাবনি। চৎনবী খঙদবা অপঙবা তাগদৌ শরুক। মসিগী কান্নবশিং খরগা হেন্না খঙজিনমীন্নবা য়াম্না মথৌ তারক্লি। খরদং লৌখৎচরবদাঃ-

☛ কৈথেল কারুদ্রবসু নুংতিগী য়ূমদা ৱানোম শারেং, য়োংচাকনচিংবা হাও-হাওরবা এঙ্গাংশিং অদুম পংপুদা পুনরকই।

☛ ফুট শুদ্রবসু পুলিস খনবগী ফিজিকেল টেষ্ট অদুম মায় পাকপা য়াই। কুমলায়নাসু সিফাই, থানা অদুম ওইবা য়াই।

☛ শেল য়াম্না চঙদনা, মতমসু য়াম্না মাঙহন্দনা য়াম্না পানা লম্বী কোয়লাস থাবসু য়াই।

☛ লাইরিক য়াম্না পাদ্রবসু ইগজাম অদুম পাস তৌবা য়াই। কা হেন্না হৈত্রবসু টোপ্পর ওইবা অদুম ফংই।

☛ লৈঙাক্কী থবকসু অদুম ফংবা য়াই। ওফিস কাদ্রবসু অদুম য়াই। চীংদা ত্রান্সফর থাবদু তম্পাক্তা অদুম হনজিন্নবগী লম্বীসু য়াম্না লৈ। প্রমোসনগীদি খূৎথু অমা।

☛ মৈগী খাজনা ফনা য়াম্না তোল্লবসু তলবতি অদুম চাং নাইনহনবসু য়াই।

☛ ঐনা ইবা লাইরিক্তু কয়া ফজদ্রবসু, ঈশৈ, লীলা, জগোয়দুসু কয়া য়ৌদ্রবসু মনাদি অদুম লৌবা য়াই।

☛ মী ফুরুবসু, হাৎলুরবসু মরালদি করিমত্তা লৈহন্দবসু ইরায় লায়না ঙম্মী।

☛ পুলিসনা আর্মিনা ফাগদবা দ্রগশিংদু ইরায় লায়না লান্থোকপসু অদুম য়াহল্লি।

☛ শীজিন্নবগী চহীদু হেল্লবসু গাড়ীদু অদুম থৌনবা য়াই। চে-চাং শুদ্রবসু কনানসু ফারোই। খাম্নিংবা মফমদা গাড়ীদু খাম্বসু য়াহল্লি।

☛ পিওন নৎত্রগা ক্লার্ক ওইজরবসু কার ফজবা, য়ূম অচৌ অচৌবগী মপুদি অদুম ওইবসু য়াই।

☛ প্রাইভেট স্কুলগী নৎত্রগা হায় স্কুলগী ওজা ওইজরবসু বোর্দকী/কাউন্সিলগী ক্বেসন শেম্বা ওজাবু ওইরবদি নৎত্রগা খরা মমিং চৎপা ট্যুসন/কোচিং সেন্টর অমা হাংদোকপবু ঙম্লবদি কোলেজ/য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর কৈদৌরুনি।

☛ বামোন, আর কে ওইজরবসু নৎত্রগা ইপা-ইমাদু থবক অচৌবা তৌবা, শেঞ্জাও পায়বা ওইজরবসু ও বি সি সার্টিফিকেটতি অদুম তান্থোকপা য়াই।

☛ মতম মাঙনা য়াম্না ৱানা নুংশা মরক্তা মীয়ামগী মরক্তা পরেং (কিয়ু) লেপলুদ্রবসু মনিংথোংদগী চঙলগা ইরায় লায়না অদুম ফংবা য়াই।

☛ নূং-লৈঙোই, সিমেন্ট অমদি শিন্নী য়াম্না চঙহন্দবীদা য়ূম, বিল্ডিং, থোং, চেকপলনচিংবা লৈঙাক্কী পোৎ চৈ কয়া ইরায় লায়না শাদোকপা য়াই। মসিনা কয়ামুক কান্নবগে হায়ববু তোইনা তোইনা রিপ্যারিং তৌবা অমুক ফংহন্দুনা শিন্নীশিংসু থবক ৱাৎহন্দে।

☛ পি ঐচ দি থেসিস ফাওবা ঐনা ইদ্রবসু দোক্তরেট দিগ্রীদি অদুম ফংবা ঙমহল্লে। কান্নখ্রেদা।

☛ অশিংবা মীসু ওইহল্লে। চৎনবী খঙবসু তারে। মপান্থোংখক্তদা ওইরবসু মীনদি ইকায়খুম্নরে।

☛ ওজানা পরিক্ষাদা মতেং য়াম্না পাঙবী। ইগজামদা হংগদবা ৱাহংশিংসু মতম লৈরিঙৈদা ঙন্তানা ফংহল্লি।

☛ সেক্রেটরিয়েটনচিংবা ওফিসশিংদা কুইনা পন্দুনা লৈগদবা ফাইলদু চেলহনবগী মথক্তা কোইপাই পাইহনবা ফাওবা ঙমহল্লি।

☛ লৈঙাক্না মীয়ামগীদমক থাদরকপা শেনফমদু ঐখোয় ইশা ইশাগী গাড়ী লৈবদা, সনা শাবদা, য়ূম শাবনচিংবা থবক থৌরম কয়াদা শীজিন্নবসু ময়াম অমা ফংহল্লি।

☛ জুগী শাশিংনা চাগদবা শা-ঙা অদু ঐখোয়সু যাওনা চামিন্নহল্লে।

☛ লৈত-লায়রবা অহলশিংদা ইবা-পাবা হৈহন্নবা থাদরকপা পৈশাদু ঐখোয় ঐখোয়গী ইচা-ইশুশিংগী মহৈ-মশীন তমহনবদসু শীজিন্নবা ফংহল্লে।

☛ মী খরনা ঙাচেৎ-থুমচেৎখক্তং পুনবগী ৱানি খরা হেন্না হোৎনবা কনবা মীওইশিংদি চারোন-শুরোন্না কায় কায়দুনা চাবদা লোইররোইদবা লন-থুম লেপশিলহৌবা ঙম্নরিবনি।

☛ শেঞ্জা-থুমজাগা মরী লৈননা লিংখৎলিবা লৈঙাক্কী লোইশঙশিংদা থবক তৌরিবা মীওইশিংদি তলবকা করিমত্তা নীংশিংনদ্রে।

☛ মীয়ামদা ফংহনগদবা খুদোংচাবশিং অদু ইলেক্সন মমাঙদা শেল ওইনা মীয়ামদা য়েন্থোকখ্রবনিনা ভোট কাবসু ইরায় লায়রে। মীয়ামগী থবক করিসু তৌনীংঙাই লৈত্রে।

☛ লৈঙাক্কী থবক কৌরবদি মীওই খরদি লৌ-ইঙ্খোল, সনা-লুপা লেপশিনহৌবা ফংজরে।

☛ মীয়ামদা ফংহনগদবা চেং, হৱাই, থুম-থাউ, হার অতৈ পোৎ চৈশিংদি তোঙান্না অমুক য়োনবগী থবকসিদি পু-থাংবা ঙম্বা পোৎ নত্তে।

☛ লৈঙাক্কী তোঙান তোঙানবা লোইশঙশিংদা ষ্টোর কিপর ওইববু ফংজরবদি উচি চাকহোন্দা হোন্দোকপগী খূৎনুংঙাইসিদি।

শেঞ্জা-থুমজাগী নুংঙাইবশিং অমদি কান্নবশিং অসিদি থাদুনা লোইবা নাইরোই। হীরম খুদিংমক্তা য়াম্না কান্নবা পোৎনি। শীজিন্নববু হৈরবদি, মফম, মতম চানা চাং খঙনা শীজিন্নরবদি হু অমত্তা ওইদে, হীদাক ঙাক্তনি। য়াম্না পল্লবসু শেঞ্জা-থুমজাগী চাং অমুক হেনগৎলক্তুনা মীৱা তানরগনি। স্বাইদা শুম তেনশিঞ্জহৌরগে।

*অদোমগী - ডা. থৌনাওজম রুহিচান্দ, উংলৌ*